**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 13.05.2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী নুমিদাং পুং ৭:৩০ গী মণিপুরী পাউ**

**(তাং ১৩-০৫-২০২৪, নিংথৌকাবা)**

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**---অকাশবানি ইম্ফাল ঙাংবম ঙান্থোইনা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি ইদুকেসন মনিপুরনা লৌবা কুমসি চহিগী ক্লাস ত্বেলফ পারিক্ষাগী ফল ঙসি লাউথোকখ্রে। পাস তৌবগী চাং ঐতিহাসিক ওইবা মওংদা চাদা ৯৭.৬৩ ওইখি।

২) সেন্ত্রেল বোর্দ ওফ সেকেন্দরি ইদুকেসন (সি.বি.এস.ই)না লৌবা ক্লাস টেন অমসুং ত্বেলফকী পারিক্ষাগী ফল ঙসি লোউথোকখ্রে।

৩) জিরিবামদা নৌনা শাখিবা ইন্নর লাইন পরমিটকী ওফিস অথুবা মতমদা শঙ্গাদুনা মথৌ তৌহন্নবা জিলা অসিগী মীয়ামনা সরকারদা আপিল তৌরক্লি।

৪) ২৮ শুবা সেনিয়র ৱিমেন্স নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ফোর রাজমাতা জিজাবাই ত্রোফিগী ফাইনেলদা মনিপুরগা হারিয়ানাগা থা অসিগী ১৫ দা থেংনরগনি।

**অমসুং**

৫) লোক সভা মীখলগী ঙসি ভোট থাদনখিবা ৪ শুবা তাঙ্কক্তা ঙসি নুমিদাং ৱাইরম পুং ৫ ফাওবদা পুন্না চাদা ৬২.৩১ গী চাংদা ভোট থাদনখি।

**---সিগনেচর ট্যুন---**

**পারিক্ষা (এল)ঃ** কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি ইদুকেসন মনিপুরনা লৌবা হায়র সেকেন্দরি পারিক্ষা ২০২৪ গী ফল ঙসি লাউথোকখ্রে। পুন্না মহৈরোই লিশিং ৩১,১২৮ পারিক্ষা থাবগী মনুংদা মহৈরোই লিশিং ৩০,৩৯১ পাস তৌখি। পাস তৌবগী চাং চাদা ৯৭.৬৩ পাস ওইখি। কর্ম্মস স্ট্রিমগী ওইনা সরকারগী স্কুলনা মকোক তাখ্রে অদুগা সাইন্স অমসুং আর্টস স্ট্রিমগী ওইনা লন্নাই স্কুলশিংনা মকোক ওইখি।

পারিক্ষাগী ফল ঙসি নুংথিল ইম্ফালদা লৈবা কাউন্সিলগী ওদিতোরিয়মদা ইদুকেসন (এস) কী দাইরেক্তর লাইশ্রম নন্দাকুমারনা হৌনবি মতুং ইন্না লাউথোকখি। মহাকা হায়-কাউন্সিলগী ওফিসিয়েলশিং অমদি ওজাশিংনা কন্না হোৎনবদগী পারিক্ষাগী ফল মতম চানা লাউথোকপা ঙম্বনি। চাদা ৯৭.৬৩ পাস তৌবা ঙম্বা হায়বসি কাউন্সিলগী ইতিহাসতা ইহান হানবনি। পাস তৌরবা মহৈরোই পুমমক রাজ্য অসিগী স্কুলশিংদা মহৈ তম্বা ফংহন্নবা হোৎনগনি মহাকা হায়-

**--সাউন্দ নন্দাকুমার--**

আর্টস স্ট্রিমগী ওইনা পুন্না মহৈরোই লিশিং ৭,৯৭৮ পারিক্ষা থাবগী মনুংদা মহৈরোই ৭,৫২৭ পাস তৌখি। পাস তৌবগী চাংনা চাদা ৯৪.৩৫ ওইখি।

সাইন্স স্ট্রিমগী ওইনা পুন্না মহৈরোই লিশিং ২২,৫৩৪ পারিক্ষা থাখিবগী মনুংদা মহৈরোই লিশিং ২২, ২৮৮ পাস তৌখি। পাস তৌবগী চাং ৯৮.৯১ ওইখি। কর্ম্মস স্ট্রিমগী ওইনা মহৈরোই ৬১৬ কী মনুংদা মহৈরোই ৫৭৬ পাস তৌবদুনা পাস তৌবগী চাং চাদা ৯৩.৫১ ওইখি।

আর্টস স্ট্রিমগী ওইনা এনলাইতন নোলেজ হায়র সেকেন্দরি স্কুল শঙাকফমগী মহৈরোই থোকচোম সৈত্যাজিৎনা পুন্না মার্ক ৪৭৭ ফংদুনা মকোক তাখ্রে। স্কুল অসিমক্কী মহৈরোই কাইদেম নিরনন্দা দেবী অমসুং টি.জি হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী সাপম লাংলেন চানুনা মার্ক ৪৭৪ ফংদুনা অনিশুবা পোজিসন তাখ্রে। লোয়ননা এনলাইতন নোলেজ হায়র সেকেন্দরি স্কুল শঙাকফমগী

মহৈরোই জেনিতা লোংজম মার্ক ৪৭২ ফংদুনা অহুমশুবা তাখ্রে। মকোক তাখ্রবা মহৈরোই থোকচোম সৈত্যাজিৎনা হায়-

**--সাউন্দ সৈত্যাজিৎ--**

সাইন্স স্ট্রিমগী ওইনা -কোমেট স্কুল চঙাংগৈ উচেকোনগী মহৈরোই মালেমঙানবি লাইশ্রমনা কার্ম ৪৯৩ ফংদ্না মকোক তাখি। স্কুল অসিমক্কী মহৈরোই য়ুমাম খেনিকা দেবীনা মার্ক ৪৯১ ফংদুনা ২ শুবা তাখি। লোয়ননা পাইন ব্রুদ ভিউ স্কুল লাঙ্গোলগী ময়াংলম্বম সানিয়া দেবীনা মার্ক ৪৮৮ ফংদুনা অনি অহুম শুবা তাখি।

কর্ম্মস স্ট্রিমগী ওইনা - ককচিং হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোই আইনা নাওরেমনা মার্ক ৪৪৭ ফংদুনা মকোক তাখ্রে। টি.জি.হায়র সেকেন্দ্ররি স্কুল ইম্ফালগী কৈথালিনা মাইসনামনা মার্ক ৪৩৮ ফংদুনা অনিশুবা তাখি অদুগা এস.দি.জে.এম হায়র সেকেন্দরি স্কুল পাউনা বজারগী মহৈরোই লোংজম অমন সিংহ মার্ক ৪২৮ ফংদুনা অহুম শুবা তাখি।

**ই.কে.স্কুল(এল)ঃ**ঙসি ফল লাউথোকখিবা কাউন্সিলনা লৌবা ক্লাস ত্বেলফ আর্টস স্ট্রিমগী ওইনা নিপান শুবা পোজিসন নত্তনা অহানবা পোজিসনদগী ১০শুবা পোজিসন ফাওবা সঙাকফমদা লৈবা ইনলাইতন নোলেজ হায়র সেকেন্দরি স্কুলনা লৌখি।

স্কুল অসিগী ওইনা পুন্না মহৈরোই ১২না পোজিসন লৌবা ঙমখি । স্কুল অসিনা কাউন্সিলনা লৌবা পারিক্ষা অসিদা অশুমা পোজিসন লৌরকপা অসি হন্দকা অহান্বা নত্তে । স্কুল অতৈদগী তোপ তোপ্পা মওংদা অসুমা পোজিসন হোলদর পুথোকপা ঙল্লিবা অসিগী মতাংদা স্কুল অসিগী ভাইস প্রিন্সিপাল কোনসম নালিনিনা অকাশবানি ইম্ফালদা অসুমা হায়-

**--সাউন্দ নালিননা--**

**সি.বি.এস.ই(এল)ঃ** সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ সেকেন্দরি ইদুকেসন (সি.বি.এস.ই)না লৌবা ক্লাস টেন অমসুং ত্বেলফকী পারিক্ষাগী ফল ঙসি লোউথোকখ্রে। ক্লাস টেনগী ওইনা পাস তৌবগী চাং চাদা ৯৩.৬০ ওইখি। অদুগা ক্লাস ত্বেলফকী ওইনা চাদা ৮৭.৯৮কী চাংদা পাস তৌখি।

পারিক্ষা অসিগী ফল দব্লিউ দব্লিউ দব্লিউ দোট সি.বি.এস.ই. রিজল্টস দোট এন.আই.সি দোট ইন নত্রগা দব্লিউ দব্লিউ দব্লিউ দোট সি.বি.এস.ই দোট গোব ইনদগী য়েংবা য়াগনি।

**--পাউগী মরক থৎনা অতেনবা ব্রেক অমা--(বাবিনা)**

**--তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি --**

**জিরিবাম(এল)ঃ** জিরিবামদা নৌনা শাখিবা ইন্নর লাইন পরমিটকী ওফিস অথুবা মতমদা শঙ্গাদুনা মথৌ তৌহনবিয়ু হায়দুনা জিলা অসিগী মীয়ামনা সরকারদা আপিল তৌরক্লি। লোয়নননা জিরিবাম রেলৱে ষ্টেসনদা হাংলিবা আই.এল.পি কাউন্তর অসিসু মথৌ নিংথিনা পাঙথোকহন্নীংবগী অপাম্বসু ফোংদোরক্লি।ঐখোয়গী জিরিবাম পাউমী ঙাম্থেম বিস্বাজিৎনা হায়- ইং ২০২০গী জনুৱারি অমদগী রাজ্য অসিদা আই.এল.পি চৎনবা হৌখিবদগী জিরিবাম জিলাদা আই.এল.পি কাউন্তর হাংদুনা মীতোপশিং চংলকপা চেক তৌবা হৌখি। হৌজিক আই.এল.পি কাউন্তর অসিদা নোংমদা মপান্দগী চংলকপা মীওই ১৫০ রোমগী চাংদা আই.এল.পিগী টিকেট ককরি। আই.এল.পি কাউন্তর ওফিস অসি ইং ২০২৩ দা শাবা লোইখ্রবসু হৌজিক ফাওবা শঙ্গাদনা থম্বা অসিনা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লে হায়রি। হিরম অসিগী মতাংদা জিরিবামদগী মীওই অমা অশুমা ফোংদোরক্লি।

## -- সাউন্দ জিরিবাম --

**নোনে(এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট হেন্দলুম এন্দ টেক্সতাইল ওফিই নোনেনা শিন্দুনা ফীশাবিশিংগী ওইনা এৱার্নেস প্রোগ্রাম অমা ঙসি জিলা অসিগী লোংমাই পার্ট-৪ পিছ্ লেন্দা পাঙথোকখ্রে। মদুদা প্রোজেক্ট মেনেজর কে.ঐচ জোননা রিছোর্স পরসন ওইনা ৱা ঙাংখি।

**স্কুল(এল)ঃ** নেসনেল ইদুকেসন পোল্লিসি থবক্তা ওন্থোকবগী মতাংদা খন্না নৈনবগী মীফম অমা ঙসি ইম্ফালগী জে.এম দান্স একাদমিদা পাঙথোকখ্রে। মদুদা ওল মনিপুর রিকোগনাইজ প্রাইবেট ৱেলফ্যার এসোসিয়েসন, প্রাইবেট স্কুল দিভলপমেন্ত থৌবাল , বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট প্রাইবেট স্কুল এসোসিয়েসন অমসুং দেসামগী মীহুৎশিংনা শরুক য়াখি। মীফম অদুনা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়া সরকারদা তকশিন্নবা ৱারেপ লৌখি ।

**য়ু.এন.এল(এল)ঃ** কোইরেংনা লুচিংবা য়ুনাইতেদ নেসনেল লিবারেসন ফ্রন্ট (য়ু.এন.এল.এফ)না হৈরাঙ্গোই থোংদা লৈবা অহৈবম বিরেন্দ্রনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোংদোকরক্লি।

**মনিপুরসনাঃ** ১৪৪ শুবা বি.এস.এফ লৌথোখ্রগনি হায়বগী পাউ ফংবদগী বিষ্ণুপুর জিলাগী লাইঙৌবি , খোয়জ্মানতাবি , লৈঙাংতাবি অমসুং চাইরেন মাংজিলদা লৈবা মীয়ামা মরু ওইনা নুপীশিংনা ঙসি ইরাং হৌরকখ্রে। অমরোমদা, সাইতোন ৱাথা লম্বীদা লৈবা বি.এস.এফকী কাংবুসু মফমদু থাদোক্তুনা চৎখ্রগনি হায়বগী পাউ তাবদগী মীয়াম থোরক্তুনা ইরাং হৌরকখি।

**হস(এল)ঃ** হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি অমসুং সি.এল.পি লুচিংবা ওক্রম ইবোবি সিংহনা ঙসি রাজ্য অসিদগী হস চৎকদবা জাত্রিকশিং বিরতিকেন্দ্রজিৎ ইন্তরনেসনেল ইয়রপোর্টতা লম থাখ্রে। শ্রী ইবোবিনা মখোয়বু অশোই অঙাম য়াওদনা লাইখুরুম্বা চৎনবা অমসুং রাজ্য অসিদা শান্তি অমসুং চাউখৎপা পুরকবা ইস্বরগী মফমদা থৌনিজনবা হায়খি। ঙসি পুন্না জাত্রিক ২১৭ কোকত্তাগীদমক ইম্ফাল থাদোকখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা এম.এল.এ টি.ঐচ লোকেস্বর এম.পি.সি.সিগী মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**গেমস(এল)ঃ** ২৮ শুবা সেনিয়র ব্রিমেন্স নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ফোর রাজমাতা জিজাবাই ট্রোফি ২০২৩-২৪ গী ফাইনেলদা মনিপুরগা হারিয়ানাগা থেংনরগনি। ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা মণিপুরনা মমাংগী চেম্পীয়ন তামিলনাদুবু পাঞ্জল ২-০ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চংলকখিবনি।

কিশোর ভারতি ষ্টেদিয়মদা ঙসি নুংথিল পুং ৩ দা শান্নখিবা অনিশুবা সেমি ফাইনেলদনা হারিয়ানানা নোংচুপ বেঙ্গলবু পাঞ্জল ৪ অহুমদা থোইখি। আপিবা মতমদা টিম অনিমক্না পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদবদগী তাইব্রেক্তা হায়রিয়ানানা মেটচ অদু থোইখিবনি। ফাইনেল মেটচ থা অসিগী ১৫ দা কোলকত্তাগী কিশোর ভারতি ষ্টেদিয়মদা নুংথিলগী পুং ৩ দা শান্নগনি। মেচট অসি ইন্দিয়ন ফুটবোল য়ুত্যাব চেন্নেলদা স্ট্রিম্মীং তৌগনি। চেম্পীয়নসিপ অসিদা মনিপুর ২১ রক চেম্পীয়ন ওইখি ।

**খোখো(এল)ঃ** মনিপুর এমেচর খো খো এসোসিয়েসননা শিন্দুনা নুমিৎ ২০ নি চণ্থগদবা খো খোম সম্মর কোচিং কেম্প লাক্লিবা থা অসিগী ১৫ দগী হৌরগনি। কেম্প অসি ইম্ফাল ইষ্ট ইম্ফাল ৱেষ্ট থৌবাল অমদি ককচিং জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

**ফুটবোল(এল)ঃ** শীংজমৈ ওইনাম থিংঙেলদা চত্থরিবা ৫ শুবা ওইনাম চার্লি মেমোরিয়েল ওফন সোকর টুরনামন্তেগী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা শীংজমৈ এফ.সিনা লৈমাপোকপম এফ.সি নম্বোলবু পাঞ্জল ২-০ দা, পান্থোইবি এফ.সি লংথাবালনা কেনেদি এফ.সি বিষ্ণুপুরবু পাঞ্জল ৩-১ অমসুং বেবি শীংজমৈনা কাগো এফ.সি লৌরেম্বম লৈকায়বু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

**---অকাশবানি ইম্ফালদগী পাউ তাবিরি---**

ভোটঃ লোক সভা মীখলগী ঙসি ভোট থাদনখিবা ৪ শুবা তাঙ্কক্তা ঙসি নুমিদাং ৱাইরম পুং ৫ ফাওবদা পুন্না চাদা ৬২.৩১ গী চাংদা ভোট থাদনখি। ইলেক্সন কম্মীসনগী পাউ মতুং ইন্না অন্ধ্র প্রদেশতা চাদা ৬৮, বিহারদা চাদা ৫৪, জম্মু কস্মীদর চাদা ৩৫.৭৫, ঝরখন্দা চাদা ৬৩, মধ্য প্রদেশতা চাদা ৬৮, মহারস্ত্রাদা চাদা ৫২, ওরিষাদা চাদা ৬২.৯৬, তেলঙ্গানাদা চাদা ৬১, উত্তর প্রদেশতা চাদা ৫৬ অমসুং নোংচুপ বঙ্গালদা চাদা ৭৫.৬৬ চাংদা ভোট থাদনখি।

কেম্পইনঃ লোক সভা মীখলগী লেমহৌরিবা তাঙ্কক অহুমগীদমক ভোট খোম্বগী থবক কন্না চত্থরি। তোঙান তোঙানবা রাজনিতি লুচিংবশিংনা মীয়ামগী মীতিন অমসুং রোদ সোনা চিংবা পাঙথোক্তুনা মখোয়গী দলগীদমক ভোট খোন্লি।

বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি ঙসি বিহারগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিশিংদা শরুক য়াখি। রাজ্য অদুগী হাজিপুর, মজ়ফরপুর অমসুং সরান্দা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিশিংদা শ্রী মোদিনা ৱা ঙাংখি। মহাকা হায়- এন.দি.এ সরকারগী লুচিং মখাদা লৈবাক অসিগী শেল থুমগী ফীভম খুমাং য়াংনা চাউখৎলক্লি অমসুং মসিনা মীওই কয়াদা থবক পীবা ঙম্লে। আর.জে.দি অমসুং কংগ্রেসপু হুল্লদুনা শ্রী মোদিনা হায়- দল অনি অসিগী লুচিংবশিংনা মখোয় মখোয়গী মচা মশুশিংগী লন থুম তাশিন্নবা

হোৎনবদা মীয়ামগী য়াইফনবা থবক অমত্তা তৌরক্লোই। মদুগী মমাংদা শ্রী মোদিনা ঙসি পটনাগী তাখৎ শ্রী হরিমন্দিরজি পটনা সাহিবতা চৎখি। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা বরানাসি লোক সভা সিটতগী হয়েং মহাক্কী মীরেপচে পীশিল্লগনি।

অমরোমদা, কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধিনা ঙসি উত্তর প্রদেশকী রাইবারেল্লিদা মীখলগী মীতিন অমদা ৱা ঙাংখি। শ্রী গান্ধিনা হায়- করিগুম্বা কেন্দ্রদা কংগ্রেস - ইন্দিয়া ব্লোকা শক্তি পায়রক্লবদি মখোয়গী অহানবা থবক অসি লাইরবা লৌমীশিংগী লোন কোকপিনবা হোৎনগনি। বি.জে.পি লুচিংবা অমিত সাহনা ঙসি মহারাস্ত্রাগী দুলেদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিদা ৱা ঙাংলদুনা হায়- হন্দক্কী মীখল অসিদা নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা এন.দি.এ সরকারনা অমুক হন্না শক্তি পায়রক্লবদি ভারত অসি মালেমগী ওইনা শেল থুমগী লমদা অহুম শুবা খ্বাইদগী চাউখৎপা লৈবাক ওইবা ঙম্লগনি।

ইনফোর্মেসন অমসুং ব্রোদকাস্তিং মন্ত্রি অমসুং বি.জে.পি লুচিংবা অনুরাগ সিংহ ঠাকুর ,হিমাচল প্রদেশকী হামিরপুর লোক সভা কেন্দ্রদগী মহাক্কী মীরেপচ পীশিনখ্রে। শ্রী ঠাকুরগী মীরেপচে পীশিনবা অদুদা সেনিয়র বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি প্রোফেসর প্রেম কুমার দুমলসু লোইনখি। হান্নন শ্রী ঠাকুর হামিরপুর লোক সভা কেন্দ্রদগী তার্ম মরি রক কাখ্রবনি। হন্দক্কী অসিনা কেন্দ্র অসিগী মহাকা ৫ রক শুবা ওইনা মীখল থেংনরি।

**বেলঃ** সুপ্রিম কোর্টনা ঙসি ঝরখন্দগী হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি হেমন্তা সোরেননা লমগী ৱাথোক্কা মরী লৈননা মণি লোন্দরিং কেস অমগী মতাংদা ইন্তেরিম বেল পীবিনবা হায়জখিবা য়াখিদ্রে। হন্দক্তা দিল্লিগী মুখ্য মন্ত্রি অরবিন্দ কেজ্রিৱাল জেলদগী থাদোকখিবা অদু য়েংলগা শ্রী সোরেননা হৌজিক চথুরিবা লোক সভা মীখল অসিদা মহাক্কী দল ঝরখন মুক্তি মোর্চাগীদমক ভোট খোম্বদা শরুক য়ানবা ইন্তেরিম বেল পীবিনবা হায়জরকখিবনি।

**নক্সালাইদঃ** মহারাস্ত্রাগী গদচিরোলি জিলাদা ঙসি সেক্যুরিতি ফোর্সকা নোংমৈ কাপবদা নুপী অনি য়াওনা নক্সালাইদ অহুম শীরে। নিলোতপলগী এস.পিনা হায়- রাজ্য অদুগী ভমরাগরট তালুকাদা পেরিমিলি দালমগী মীওইশিং কেম্প তৌদুনা লৈরে হায়বা ইন্তিলিজেন্সকী পাউ ফংবদগী মফম অদুদা এন্তিনকসল ওপরেসন চৎথনবগীদম স্পিসিয়েল মীসন,এদিসনেল এস.পি য়েতিস দেসমুকা সি-সিক্সতি জৱানগী য়ুনিট অনি মফম অদুদা থাখি।

সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা থীবা হুন্বগী থবক চৎথরিঙৈদা নক্সালাইদশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবনি । মদুদা সেক্যুরিতিগী মায়কৈদগীসু হন্দুনা নোংমৈ কাপখি। নোংমৈ কাপবা লোইরবা তুংদা পুলিসনা মফম অদুদা য়েংশিনবদা মীওস অহুমগী অশিবা হকচাং থেংনখিবনি। লৈখিদ্রবা মীওই অমদি পেরিমিলি দালমগী ইনচার্জ অমসুং কম্মান্দরনি হায়বা খঙবা ঙম্লে। অতোপ্পা মীওই অনি অদুদি মশক মমিং খঙবা ঙমদ্রি । মফম অদুদগী এ.কে ফোতি সভেন রাইফল অমা ,করবাইন্দ অমা ,ইনসাস রাইফল অমা অমসুং অতৈ পোৎলম কয়া ফংবা ঙম্লে।

**জমনাস্তিকঃ** হোংকোংদা চৎথরিবা ৬ শুবা এসিয়ান্ত ত্রমপোলিন জিমনাস্তিক্স চেম্পীয়নসিপতা ভারতকী স্রীস্তী খন্দাগ্লেনা লুপাগী তকমান ফংদুনা মশান্না অসিদা তকমান লৌবা লৈবাক অসিগী অহানবা শান্নরোই ওইরে। ঙরাং শান্নখিবা নুপীগী ইন্দিভিজ্যেল এজ গ্রুপ কেতেগোরিদা মহাকা লুপাগী তকমান ফংখিবনি। মশান্না অসিদা কজাস্তানগী দোলগো পোলোভানা সনাগী তকমান অমসুং হোংকোংগী এস.হুংনা শেঞ্জেংগী তকমান ফংখি।

## --অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক --

১)　কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি ইদুকেসন মনিপুরনা লৌবা কুমসি চহিগী ক্লাস ত্বেলফ পারিক্ষাগী ফল ঙসি লাউথোকখ্রে। পাস তৌবগী চাং ঐতিহাসিক ওইবা মওংদা চাদা ৯৭.৬৩ ওইখি।

২)　সেন্ত্রেল বোর্দ ওফ সেকেন্দরি ইদুকেসন (সি.বি.এস.ই)না লৌবা ক্লাস টেন অমসুং ত্বেলফকী পারিক্ষাগী ফল ঙসি লোউথোকখ্রে।

৩)　জিরিবামদা নৌনা শাখিবা ইন্নর লাইন পরমিটকী ওফিস অথুবা মতমদা শঙ্গাদুনা মথৌ তৌহন্নবা জিলা অসিগী মীয়ামনা সরকারদা আপিল তৌরক্লি।

৪)　২৮ শুবা সেনিয়র ৱিমেন্স নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ফোর রাজমাতা জিজাবাই ত্রোফিগী ফাইনেলদা মনিপুরগা হারিয়ানাগা থা অসিগী ১৫ দা থেংনরগনি।

**অমসুং**

৫) লোক সভা মীখলগী ঙসি ভোট থাদনখিবা ৪ শুবা তাঙ্কক্তা ঙসি নুমিদাং ৱাইরম পুং ৫ ফাওবদা পুন্না চাদা ৬২.৩১ গী চাংদা ভোট থাদনখি।

**--- পাউ লোইজরে---**